# কয়াদা নুংঙাইহল্লিবা অওনবা চাওখৎপনা! থকসি-খাসিদি লৈনুংদা লোৎখ্রবরা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

তাইবঙপানগী খোঙচৎসে অওনবা অহোংবা কয়াগা ঈরোয়নদুনা চৎলিকো। খোঙজেল য়াঙবা-তপ্পা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমনি। য়ূম শাগনি খঙলমদবদগী খঙলকখিবা, মৈ পুথোরকখিবা, ফিরোল শেৎপা-ইনবা হৈরকপা, নুঙগী খূৎশু-খূৎলায়দগী মথং-মথং কোরী-শেঞ্চেং-য়োৎকী ওইনা শীজিন্নরকপা, হায়রিবা পূম্নমক অসিবু নুংঙাইরম্লোই কমদৌনা হায়দোইনো। খোঙনা, মদুসু শেন্দল-খোঙউপকা য়াওদবীদা লমশাং চৎলম্বগী ৱারী শেমজিন শাজিনবা নত্তে। ঐখোয় ফাওবা প্রাইমারি স্কুল কারিঙৈদা শেন্দল-খোঙউপ তোংখিদে। ইনাক খুনবগী মচা-মশু মখোয় অনী অহুম্না তোংবদু উরগা কল্লকপনা লোইবজাৎনি। মসিনা তোঙানবা ৱারী ওইখ্রসনু। মতম অমদা ইমা-ইবেলশিংনা চীংগী খুঙ্গংশিংদা মখোঙনা লল্লোন-ঈতিক্কী থবক চৎপদো হৌজিক নীংশিংলুরগা নুংশিরকই। মনমগন্দা মচা, কোকথক্তা ফৌ-চেঙনচিংবা অরূম্বা পোৎলূম পুরগা চৎপদো।

অসুম্না খোঙনা চৎলম্বদগী মখল কয়াগী গাড়ীনা লম্বী সড়কসে কৃক-কৃক ইন্নরে। নোংথক্তা পাইবা ঙম্লে। হৌজিক্তি চাউরাক্লা য়েংলবদি হায়ফম হেক খঙদবমখৈ নুংঙাইরে হায়বা য়ারে। ইশম হেক শম্না চাওখৎপগী খোঙজেলদা মীওইবনা ৱাখল তারবদি অৱাবা হায়বদু লৈফম থোক্ত্রবনি। রেদিওনা ইরমদমগী লৈমায়দা খোঙদারকপদা ঐখোয়বু নুংঙাইবগী ঈথক-ঈপোম হৌহনখিবনি। টিভিদা উৎলকপা থৌরমশিংনা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা পীদুনা লাক্লি। ঙসিদি মীপূম খুদিংমক হায়বা য়ারে, মোবাইল ফোনগী মপু ওইরবনি। ইন্টরনেট ইরানি, মাঙবা-তোংবা থিদবীদা মখল-মথেল ৱাথোক-লান্থোক থোকপা য়াবা থৌওং কয়াসু চত্থনরক্লি। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী খোঙজেলসিনা য়াঙবগী চাংদি থানচিংবা উপ-গ্রহশিংদা তাইবঙ মীনা খোঙদাবগী ৱারীদি অনৌবা ওইশিল্লক্ত্রে। মীনা মী শাবা ঙম্বগী চাং য়ৌরক্লে।

লুরিবদি থকসি-খাসি, থৌগল্লোন-লোনচৎতি নোংম-নোংমগী ময়েং তাথরক্লি। মীওইবগী নুংদা লৈরিবা অচুম্বা অশেংবা অমসুং হ্যুমেনিজমগী শক্লোনশিংদি মকা ফোংবা ঙমদনা লোত্তুনা লৈখিবগা পাঙ্খক ওইরক্লে। হীরম অসিদা য়েংলবদি থায়না মমাঙঙৈ মতমদনা থাক য়াম্না ৱাংনা লৈরম্মী হায়বা য়াই। ইমুং মনুংগী ওইনা য়েংলবসু মমা-মপাবু মীৎনা উবা লাইমক্লি খনবগী থাক্তা লৈরম্মী হায়বসি ৱারী লাইরিক কয়াদগী খঙবা ঙম্মী। মপা ইবুংঙো দশরথকী ৱাশক ঙাক্নবগীদমক মজাইবুংঙো শ্রীরামনা চহী তরামরি উমং-ৱামংদা অৱা-অনা কয়া খাঙখিবগী ৱারী ফিদম্নফম ওইদুনা লৈরি। ঐখোয়গীদসু অদুমঙায় লায়র-লমজা ওইদুনসু খন্বগী থকসি-খাসি, থৌগল্লোন্না মোইরাং নিংথৌদগী হৌদুনা কেগে মোইরাং মীয়ামগী মীনুংশি, নুংশিবা ফংবা ঙমখিবগী ৱারীবু ঙসি ফাওবা শরুক-শোন্নরি। মমা-মপাগী মফমদা থমগদবা ফজবা লোনচৎতুমক মমা শক্লবী মচেম খম্নুগী মফমদা থমখিবনি হায়বসি খন্বা-থোইবী ৱারীদগী, শৈরোলদগী খঙবা ঙম্মী। ঐখোয়গী লাইচৎলোন্দা য়েংলবসু অদুমঙায়, মালেম লৈশেঙ্লোন্দা মপা গুরুগী য়াথংবু অশিবনা মাই ঙম্লোই হায়খিদে। হারাবনা হন্না হন্না অয়েৎপা পীরবসু অদুম্মক শেমখিবগী লৈশেঙ্লোন লাই থাজ-ৱারী লৈ।

মালেমসিদা মপা-মচা, মচিল-মনাও, শাগৈ-নাতৈগী শেংলবা মরীবু খোঙ্গৈইনবা, থকসি-খাসি, থৌগল্লোন মশক খঙদবা মীওই খুজোক খরসু মথায় থায়নদগী হৌনা মীরোল খুদিংমক্তা লৈরকখি হায়বসিমসু পুৱারীগী ঈচেলনা পাউদমদুনা লাক্লি। নিংথৌ লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা মীচম মীয়ামদি অয়াম্বনা ইচম চম্না হৌন-লোনচৎ, থকসি-খাসি, থৌগল্লোন কায়দনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরম্বরা খল্লি। মরু ওইনা মকোক কোক্লেন্দা লৈবা লৈঙাক, শাগৈ, মপা-মচা, মচিল-মনাওশিং মরক্তদি মপান্থোংদা থৌগল্লোন উৎনরবসু মনুংদা তীল চঙনরম্বগী থৌদোক ৱাথোক মালেমগী মফম কয়াদা থোকখিবগী ৱারী লৈ। ফজনদবগী চাংদি ফম্বালগীদমক ঈ মশেল হাত্তোক্নবদা করিসু নুংনাংবা ফাওনখিদবা মতাং খরসু লৈখ্রে। অদুক হাক্লা পাক শন্না পল্লুদ্রগসু ঐখোয়গীদসু চপ মান্নে, অসিগুম্বা থৌদোক অসিগী মহয় ওইনা ইরৈবাকসু মীখা পোনবী ওইরকখিবদুনি। অদুবু হায়রিবা থৌওং-থৌচৎ অসি চৎপদি মীওই খুজোক খরখক্তনি।

অদুবু ঙসিদি অসিগুম্বা মীওই মশীং ঈশিং ঈচাওগুম্না জর-জর হেনগৎলক্লি। লাইরিক হৈবসু, হৈতবসু চপ ইমান মান্নরে হায়বা য়াই। লৈঙাক্লোনগী অশেংবা কাঙলোন, লাইনীং-লীচৎকী অচুম্বা অশেংবা মচৎনচিংবা পূম্নমক তুংওইনবগুম তৌরক্লি। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা মনীং থুংলক্তবা মতমদা মমা-মপা ওইবশিংদা ইতৎ-তত্তনা হায়বা ৱাহৈনি - **ঐখোয়বু কৈদৌনা পোকপীরম্লিনো?** শাথীখ্রবজ ৎনি ফজনকা হায়বিবা নত্তে। তাবদা নাকোং ৱাই চিনবা লুজখিদ্রবা অচোপ-অরেংগী ৱাহৈ-ৱাতা পরেং-পরেং মরক্তা থেৎপা ৱাহৈশিংনি। মচা-মশু ওইবশিংনা মমা-মপাশিংগী অশেংবা মমল খঙলবা অমদি মখা তাবশিংনা মথক থোংবশিংবু ইকায়খুম্নরগদবু ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা **ওল্ড এজ হোম** হায়বা ৱাহৈ অসি পুথোক্লমগদরা? মসিগী চন্নফমসু লৈরম্লোই।

নুংশিবনি ঙসিদগী চহী য়াঙ্খ্রেমুক্কী মমাঙদা লৈরম্বা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা, নুংশিনবা, মখা থাবশিংনা মথক থোংবশিংদা কিনা লুনা চৎপা, মথক থোংবশিংনা মখা থাবশিংদা নুংশিনা য়েংবা, নহা-অহল থক-খা নাইনা চৎনরম্বা লোনচৎতু নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকপগুম্লে। খ্বাইদগী নুংনাংলিবদি মচাশিংনা মমা-মপা ওইবশিংবু মীরায়বগী চাং অসুম-অসুম ৱাৎলকপসিনি। ওজা অমসুং মহৈরোয়গী মরীসু অদুমঙায়, হান্নগীদু ওইদ্রবরা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরক্লে। মশীং থিবদা খূৎ থেক্তুনা পাবা ঙম্বা অকক্নবা মীওই খজিক নত্তনা অয়াম্বদি সনা-লুপা, লন-থুম লেপশিনবদা হীদান্নরক্লি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা শেনয়াই চুবগী লোনচৎনা অচুম্বা অশেংবা ৱাখল্লোনবু নমহৎনবা হোৎনরক্লবা মতমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। লৈবাক খুন্নাই মীওইবগী চৎন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ হায়বা অমসু লৈরি হায়বসি কাউনখ্রবরা? সোশল মীদিয়াদা তাবদা নাতৈ চাদবা লোন্দা-পুদা কয়া শীজিন্নরি। মসিমক্তি ফজমন্দে। চাওখৎলবা মতমগী থাক হন্থবা লোনচৎনি হায়নীংই।

এপ্রিল ২৩ নৎত্রগা ২৫গী চয়েৎনরিবা ৱাফম অদুমদি নাকল অমদা থমখিসি। অসুম নৈন-নৈনরগা মশাগী অতাবী অমা লাকচসনু। হন্দক চহীগীসু লৈঙাক্কী ওইবা মীয়াম হুপ্পা মমাঙ থা এপ্রিল ২৩দা **খোংজোম দে** হায়দুনা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎসিমক্তদা ককচীংগী মনাও চীংদসু ৱাঙ্খ্রে মৈরাবনচিংবা কয়ানা বৃটিশ লান্মীগী মখূত্তা ইমাগী নীংতম্বা ঙাক্নবগীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখিবা মফম মনাওচীংগী লানফম নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখি। তশেংবদি নুমিৎতুগী থৌরমশিংদো অমম্বা অৱাবা নুমিৎ অমনি। ইপা-ইপু অথৌবশিংদা লৈ মনা অমত্তং ওইরবসু কত্তুনা ইকায়খুম্নরিবনি। অদুবু অঙকপনি নুমিৎ অদুদা থাবল চোঙনবা থৌরাং তৌরম্বগী ৱাফমসি কয়ামুক য়াম্না হরাউবগীনো হংনীংলকই। নুমিৎ খরনি মমাঙদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিএটকী রিগ্যুলর পোষ্ট খরগী শেমজিন-শাজিনবা এপোইন্টমেন্ট রিজল্ট অমসুং এপোইন্টমেন্ট লেট্টর থোকপগী পাউ অসি অকিবগী মশক্লি। অরানবা তৌবদা হালেংদবা কয়ানা খুনবৈ ওইনা পৈরবা ঙসিগী চাওখৎলবা খুন্নাই অসিদা মথোং হুক্তবা পাউ ময়াম অমা তারকখিগদৌরি। মসিবু অৱা-নুংঙাই খোঙচৎ হায়বদুরা? ●

# শা-উচেক্তা মীনুংশি

- নবকুমার ওইনা -



মপান লমদগী মী চঙশিল্লকপা থিংবা ঙমদবগী লান থোক্লিঙৈ মালেম পূম্বদগী শা-উচেক কৌবসিবু লাক্কদ্রনে? চঙশিল্লক্লিবা মী মশীং থীবসু ঙমদরি, উচেক খরা পাইরকপদু মশীং থীবদি তোক্তরি। য়াম্না ৱানা মশীং থীরিবসি নুংশিবগীনি হায়গদৌরিবনি। চহী ৫০/৬০গী মমাঙদা মশীং থীবদুনা, ফাবা-হাৎপা লাকপগীনি। মশীং য়াল্লবদি লাং থাক্লগা অমা-অনী ফাবগী মহুত্তা নোংমৈনা কাপ্পল্লিবনি। ঙসিদি মীওইবগী ৱাখল-লৌশিং, শাজৎ লোইনা হোংলে। শা-উচেকশিং অসিনা মদুবু খঙলম্লগদ্রা? করি লোন্দা পাউ ফাওগদৌরিবনো?

মতমদু ঙানু-য়েন ফাওবা কয়া চানরমদে, মরূম ওইনা চারম্মী। য়াম্না নুংশিবগী থিংবদি নত্তে, ঙা য়াম্না ফাবগীনি। ঙা য়োনবা কয়া শিত্তে, পূবা হায়গদ্রা লৌনরগা চানরম্মী। মশাগী ফাবা মতমদা অমুক শিংদোক্নরম্মীবনি। পীদ্রবসু য়াই, ঙাগী ঙা ঙাক্তনি। ঙামু, ঙাক্রা, উকাবী, ঙাতোন ফাওবা কংহল্লগা লুবাক্তা থন্না হাপ্পগা থম্নরম্মী। শুম চারগা হুন্দোকপসু য়াওরিবনি। ঙাপ্রূম চারুবদি ঈরুজরগা য়ূমদা চঙহল্লিবনি, মাংবা-শেংবগী ৱাসু য়াম্না কল্লম্মী। ঙানু-য়েন চাবসু নুমিদাংদা চানরম্মী, অঙাং ওইবা ঐখোয়দি কয়া পীজদে। চাবদু হায়দোক্লবদি ফূগনিসু হায়বা য়াওরিবনি, হায়দোক্তনবা খজিক-খরাক পীজবসু য়াওই।

ইপাগা পোকমিন্নবা ইনেগী মচানিপা অমখক্তা পোকপা অমা লৈ, হৌজিকসু লৈরি। ইয়াম্বগা মখোয় অনী পুনখ্রবদি লোন্নবু ঙাঙনখ্রবা নুমিদাংদি পাখোন শীরক্কদৌবনি। ইমাদগী থুম, মোরোক, য়াইঙং, অচাথাও লৌরুগদৌরিবনি, ইঙ্খোল মচিদা লোন্না থোংবা শাগদৌরিবনি। ইপা-ইমানা শাওবদি নৎত্রে, চৎনবীনি। মাম্মদু লূ থুম্মী ঙামীনি, ইমা পোকপা ইপুবোকসু লূ থুম্মী, লাই নীংবা কল্লিবনি। হৌজিকপুদি হায়দোকপা য়ারে, মচা-মশুদি নুংশিবা হায়তারে, লূদা লম-ঙানু অচৌবদু চঙলবদি হেক্তা পুরকই। ইবায়দুগা ইয়াম্বগা পূনখ্রনি। নিংথম থাদদি শোয়দ্রে লূদা চঙবা ঙাদু চারুবদা লম ঙানুদুনা মহুৎ শিল্লকপগী ৱানি। অহলশিংদি চানরমদে। তাওথ্রা হায়বা উচেক্তুদি চাবু চানদে, করিগুম্বা শিরম্বা থোক্লবদি ফুম মথক্তা থাঙ্গৎলম্মীবনি। লংজানা চাখিনবা। লংজা য়াম্না লৈরম্মী, ষণ অমা, ইরোই অমা শিরবদি কুন-কুন্থ্রা লাক্লগা (পাইরক্লগা) চাররিবনি। ঙসিতা খঙলকপা অমদি কৈবুলগী জুদুগী মনুংদা লংজা ময়ামদু পাইশিল্লবদি সঙাই নৎত্রগা খর্শা শিবগী ওইরমগনি, ওক শিবসু ওইরম্বা য়ারিবনি। নোংমদি, নোংঙাল্লগা ইনেদুনা পোকপা ইতৈমা অমা লুহোংগদবনি, নুমিদাংদুদা শানম্বা হায়বা শাদু অমা ফারকই হায়দুনা ইবায় অদুনা ফুমথক্তা থোংলগা চাগদৌগী লাংই। ঐবুসু চৎলুসি হায়বদা কিবদগী চত্তে, নোংঙাল্লগা তাদা অমনা হাওই হায়, ঐদি মহাও খঙহৌদ্রবনি। কুমগী নোং তারকপগী লোক্তাকতা ঈশিং ঈনৌ লাক্লবদি ঙা য়াম্না ফানৈ, মতমদু ইথাই দাম লৈত্রি। অহিং অমা ইমানা ঈল চিংবদা ফাবা ঙাসি, হিদু তঙ্খায় য়ৌগনি খল্লি। নোং ঙান্দ্রিঙৈদা উচেকশিংনা য়াহৌদ্রিঙৈদা য়ূম য়ৌহৌগদৌবনি। অঙাং ওইরিবা ঐখোয়বু অহিংদগী ঙা লৌখৎপা চৎপদা য়াওহল্লি। চৈ-শাজৈ অনী পায়, হায়না-হায়না চীংখৈ হুল্লকই, তাওথ্রা হায়রিবা উচেকসিনা চরাংনা কুপ্লিবা ঙাদু করম্নবু খঙবনো খঙদে, লাক-লাক্তুনা চাখৎলকই। ঐনা শাজৈ অনীদুনা ময়ামদু কনবসি অমত্তসু শিদে। চৈসু পীশক পীকই, ঐবুসু অঙাংনি হায়বগী উশিৎপা নত্তে। নোংমসু মাম্মা মোইবুংখোংবগী পোরোম অমা পীরুচো হায়দুনা কোনপাক অমদা হাপ্লগা পুবনি, কুপশিল্লিবা লাতোন্দু হেক পাইথোকখিবগা উমাইবীনা অদুম কোকথক্তগী লাকখ্রিবা। তাওথ্রাশিং অসিদি লৌ পরি অনীবু হেনগনি, মখোয়গী মরক্তা খায়রগা হিদু হোনগদৌরিবনি, মশীং থীরুবা ঙম্বা নত্তে, লোক্তাকতা তারিবসি মফম অমখক্তদসু নত্তে। ঙাদু টিন অমদি ফারগনি মখোয়না চাহৌরিবদু। শুমাংদা ফৌরা অনী-অহুম থারগা হৈদোক্লগা ঙা খন্দোকপদা অয়ূক অমা চঙলিবনি। ’দুসু ক্বাক ময়াম্না শঙলগনি, অপুম্বা-অশোকপা মখোয়গী শরুক্লি।

লিরিবা ৱারীসি ঙা ফারগা শেল ফংই, চাবা হাওই হায়বগী নত্তে, লোক্তাকতা লৈরম্বা ঙাশিংদুগী ৱানি। অদুনবু উচেকশিং মশীং খঙদনা লাক্লম্বগী ৱাদুনি। চানবা ঙা লৈত্রবদবু করিগী উচেক লাক্কদৌরিবনো। ঙা য়োক্লিবা, ব্রোইলর য়োক্লিবসি ফাওবা মপান্দগী পুশিল্লকপা মচীঙ্গাক্লা থাক্লিবনি। মপান্দগী পাইরক্কদৌরিবা উচেকশিংদা মখোয়গীসু মচীঙ্গাক থাক্কনি হায়না নোটিস অমদি থোকখিবনা ফগদৌরিব্রা? সমুদ্র মপান্দা চাক্তারুরবসু মরূম কোকফম থিরকপদদি উ-ৱা হৌবা মফম থিরকপা তাবনি। অদুসু উমং অচৌবগী ময়ায়দদি য়াদে, করি চাগনি। মখোয়বুসু লিন্না চাগনি, লাইরেন্না চাগনি, কৈনা চাগনি, উমাইবীনা চাগনি। য়াম্না লাপ্পা মফমসিদা পাইরকপগী মরম ময়াম লৈরমগনি। ঐখোয় পুক ফৈ, শা-উচেক চাদে, পঙই হায়বগী লাক্লম্বদি ওইগনি থাজদে। হৌজিক অমুক ইপঙ পঙনা কৌরুবদা উচেকশিংদুনা হেক্তা লাক্লগনি হায়বসি হেঞ্জিন্না থাজমনবা ওইগদৌরিবনি। মকোন শাফম উ-ৱা অৱাংবা হৌদ্রে, তৌ পাম্বী হৌদ্রে, চোল্লাং পাম্বী হৌদ্রে। নিল-খোংবা লাংবগী চাংসু খম থেংলে, হাৎলগা চাররোই হায়বসি কমদৌনা খঙহনগদৌরিবনো, মদুনা য়ারদরা? মীওই খরনা য়েংবদা উনবা, চানবা লৈত্রবসু থা অমা চঙনা পাইরক্লগা মীয়াম মমাঙদা শো তৌরগনি হায়বসি লমদমসিগী মী ওইবগী নাপলদু উচেকশিং অসিদসু য়াওরক্কনি হায়বসু থাজদে। মালেম অসিসু য়াম্না চাউরিবনি, ঈশিং-নুংশিৎকী মায়কৈ য়েংলগা লাক্লবসু কুইনা লৈবা পামগদৌবা মাল্লক্তে। মীয়ামসি উরগা য়াম্না পীকশিল্লবা পাৎশিং অসিদা চারা হেল্লগা য়ারেক্কদৌবা উচেকসি কয়া য়ামগদৌবা মান্দে। য়েংনীংলবদি ঙসিগী লৌশিংসিনদি য়ারোই।

উ থাদ্রবদি নোং য়াম্না তাররোই, নোং তাদ্রবদি পাৎতা ঈশিংসু লৈররোই, ঈশিং লৈত্রবদি ঙা লৈররোই, ঙা লৈত্রবদি উচেকসু লাক্লরোই। উচেক চানীংলিবা মীশিংদা ঙানু-য়েন মরাং কায়না য়োকহনবা তারকই। খুনফম খরবু চাওখত্তবা মী ওইনা উবা লাল্লি, হাৎলুদ্রবসু লাক্লরোই হায়বসি খঙমিন্নবসু চঙই। অমা-অনী উবা ফংনবা হাওবনা চুম্মী হায়বনি। উ-ৱা য়াম্থৎপদু চহীবু কয়া চঙখিবগে, অদুগুম্বা চহী তরারক চঙগনি শেমগৎপদদি। পাৎশিং অসিদনা ফাবা য়াদবা ঙা য়োকপা তাবা, মীনা য়েংবা লাক্নবা লৈরিবা মীশিংসি তাম্থোকপা তারকপা। য়াবা-য়াদবগী ৱাদুনা খন্নরগা থোক্কনি। টুরিজমগী ৱাদুবু হায়রিবা!

ষণদা মীনুংশি লৈবা মীসু লৈ, ওজাদা মীনুংশি লৈবা মীসু লৈ, হূইদা মীনুংশি লৈবা মীসু লৈ, মীদা মীনুংশি লৈতনা হাৎনবসু লৈরিবসিনি। তূমিন-তূমিন হামেং চাবা, খুনু চাবসু লৈরিবনি। য়েরূম পুশিল্লক্লগা চারিবসিনা মচা-মশু নুংশিবগীনি। নুংশিবা শারগা চাননবা পুরিবা ঙানু-য়েনদু মখোঙদা পুল্লগা য়ান্দুনা পুবদু য়াদে হায়বসু লৈ। চাবদি নোংম-নোংমগী হেঞ্জিল্লক্লি, ৱা য়াম্বসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মমৈথংদদি শা-উচেকশিংনা মী হায়বসি থাজবগী ৱা লৈতে। ঐ অমনদি শা-ষণসু থাজদে, মীসু থাজদে, শা চাবা মীনা হেন্না থাজরক্তে, শা চাদবা মীসু থাজফম লৈতে।

শা-উচেক নুংশিবদগী শেন্দোংনা হেন্না নুংশিবশিংনা ঙানু মকোন শাগনি হায়রিবসি য়েংবা লাকপদা ঙানু উগদৌবদি মান্দরি। শা, ঙা, উচেক কয়া মীনুংশিগা কোন্ননা শিরিবসি লেপ্পা লৈত্রি। ●

# ইরৈবাক নুংশিবগী ইহুলবু য়াকাইহল্লিবা রুপমহল থিয়েটরগী ‘পাওনা’

- কৈশাম রানি -

তশেংনমক লিশাং শিৎনা লাক্লিবা ঐখোয়গী পুৱারীগী খোঙচৎতা অকিবা ফংলবা ঈরোলনুংদা ‘চহী তরেৎ’ লুপ্তুনা লৈরুরবা য়েলহৌ ফূরূপ ঐখোয়গী ‘অমম্বা যুগ’ (১৮১৯-১৮২৬) হায়না কৌবা য়ারবা তাঙ্কক্তুগী শাফূ কল্লবা চৈনাখোল ফাওরি ঙসিসু ঐখোয়গী থম্মোয়দা। চহী খরা অসিদা নৌহৌনা অমুক কোয়শিন্দুনা লৈরম্লে লমহুইশিংনা চীংলোন মাপন ঐখোয়গী। ঙায়োক চফু মনুংদা হিংলিবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা বোমগী মৈনা চুররি মৈরি থোক্লা। হামচৎনরবা পূন্সি খোঙচৎনি, চৎপদি চৎলি লেপ্পা লৈতনা মহৌশাগী খোঙচৎ তুং ইন্দুনা ঐখোয়না।

ঙসিদি লাক্লে অমুক শজিবু থা, ইরৈচাশিংগী চহী হৌবা থা, নুংশিবী খোংজোম তুরেলগী শেংলবা লাইজবু মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী অঙাংবা ‘ঈ’ তনা ঈমাই চোন্না চেনখিবা থা, থম্মোয় শোক্লা কপ্পা থা। করম্না কাউগনি নুমিৎ অদো চারোল-শুরোল ওইরিবা ঐখোয়না? অসিগুম্বা খোংজোমগী লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা, ঙসি হিংলিবা ঐখোয়না ‘তর্পন’ গী মশক ওইনা, ইরৈবাক নুংশিবগী চেন্থরক্লিবা ঈচেল, তুংলমচৎ ফাওবা লেপ্তুনা হেন্না হেন্না কনখৎলক্লবা রুপমহল থিয়েটরনা কৎচরি, পুথোরক্লি চুঙ-ফিরাল চারবা প্লে ‘পাওনা’ শজিবু থাগী থায়ায় তাং ১৪, ২০২৫গী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা রুপমহলগী ফম্বাক্তা। প্লে অসিমক মীৎয়েংলোই অমা ওইনা শরুক য়াবা ফংজরুবদা থম্মোয়দা ফাওরকপা ইহুল অদু খরদং ফোঙদোকচবনি, ক্রিটিক অমগুম থমজবা নৎচদে।

থিয়েটরদা থৱায়-হকচাং য়াওনা কথোকখ্রবা, লাইওইখ্রবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা আর্টিষ্টশিংনা কুমজা ১৯৪৩দা রুপমহল থিয়েটর হেক লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা ফজরবা প্লে কয়া লেপ্পা লৈতনা পুথোরক্তুনা মীয়ামগী থৌগল লেপ্তুনা চত্থরক্লি। ঐহাকসু থিয়েটরবু পামজরুবনা নুংশিজরুবনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা রুপমহলগী ফাওরবা সমাজিক প্লে কয়া, লৈবাক নীংবদা য়ূম্ফম ওইবা প্লে কয়া য়েংজখি।

ঙসি প্লেরাইট অচৌবা য়ূম্নামনা ইবা ‘পাওনা’ ড্রামা, লমদম অসিগী মমিং লৈরবা থিয়েটর দিরেক্টর খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রনা লমজিং লমতাকপা ওইদুনা পুথোরক্লিবা প্লে অসিনা মীৎয়েংলোই ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী থম্মোয়বু ইমা লৈবাক নুংশিবগী, কন্নীংবগী ঈথক-ঈপোম হৌহল্লি।

ইনিংথৌ কুলচন্দ্রনা পাল্লিঙৈ মতমদা মণিপুর থাদোক্তুনা চেনখ্রবা মীতৈ নিংথৌ মচাশিংগা পুল্লগা বৃটিশকী য়াল্লবা সিফাইশিংগা লোয়ননা মণিপুরগী মায়কৈ অহুমদগী হায়বদি অৱাং, মনীং অমদি মখা মায়কৈদগী মতম অমত্তদা লান্দারকখি। মখা থংবা মায়কৈ, বর্ম্মাদগী তুমু, তুমুদগী খোংজোম য়ৌশিল্লক্তুনা অকনবা লানফম ওইরক্লবদা সনা বোড়াচাউবগী মীচংদা নিংথৌ শেম্বগী লানহৌদা য়াওরুবগীদমক জেলদা ফাজিন্দুনা লৈরিবা গুরু পাওনা (পাওনম নাওল সিংহ) বু ইনিংথৌ কুলচন্দ্রনা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমদি ইপু থাঙ্গালনচিংবগা কূপ্না তান্নদুনা জেলদগী থাদোক্তুনা সনা কোনুংদা কৌখৎখি। পাওনাবু মেঞ্জোর জেনরেল ফম থিন্দোক্তুনা খোংজোমগী অকনবা লানফমদা চঙদুনা ইরৈবাক কনবীয়ু হায়জখি। পুকচেল চাউরবা, মমা লৈবাক নুংশিবগী ঈরিক্লা থল্লবা, থাঙগী থাঙলোন্দা লম্বা লৈত্রবা পাওনানা হরাওনা য়াজখি। পাওনা ব্রজবাসি অচম্বা মীশক নত্তে। মহাক্লা মিৎ উঁইশিন্দুনা য়েংবদা লানফম অদুদা মায় পাকপা য়াবগী অফবা খুদম ফংখিদে। অদুবু মশাগী খন্দ্রবা পাওনানা মমা লৈবাক্কীদমক খন্দুনা লানগীদমক শেম-শাখি। চীংলেনস্নানা অথৌবা মহাক্কী গুরুনা লান চঙবদা মহাকসু য়াওগনি হায়রক্লবদা মমাশিজনা অমদি পাওনানা অঙাং ওইরি লান চৎকনু হায়দুনা কয়ারক থেল্লবসু য়াদ্রবদা মীতৈ লৈমগী মমোমলোই মমাশিজনা মচাবু মাগী গুরুগী মফমদা শিন্নজখি। অসুম্না খোংজোম মায়কৈদা চত্তুনা অকনবা লান থেংনখি। বৃটিশকী মায়কৈদগী বোম, টোপ কয়া কাপথরক্লবদা মীতৈ লান্মী খাঙবা ৱাখি। খুদোংথীগদবগী মমি উরদুনা অথৌবা পাওনানা টোপ অমত্তং পীবিয়ু হায়না নিংথৌদা পাউ থাখিবদসু পীবিরক্ত্রবদা পাম্বৈ লৈত্রবা অথৌবা পাওনা মাগী থাঙহাইতনা বোমগী মৈনা ককখি।

প্লে অসিগী অহানবা হৌবমক্তদা লমদমসিদা মচিন তুমখৎলক্লিবা খুন্নুং ঈশৈ শৈশকপী থোকচোম লনস্নাগী নুংশিরবা খোঞ্জেলদা খোংজোম পর্ব্বগী শৈহেক্লা শৈথারকপা, খোংজোম লানগা মরী লৈননা উৎলিবা প্লে অসিগা য়াম্না চুশিন্নহল্লি। শৈহেকসি তাবমক্তদা থম্মোয়বু চিংশিনবা হৌখ্রবনি। অদুগা গুরু পাওনাগী য়ূমদা থাঙ-তা তম্বগী মওংদা মীতৈ ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা মার্সিএল আর্টপু মতাং চানা হাপচিল্লকপসিমসু য়াম্না ফজে। প্লে অসিগী অরোইবা শরুক্তা শিরবা পাওনাগী থৱায়বু লৌবা লাক্লিবা লাইরেম্বীশিংনা অঙৌবা ফিজোল শেত্তুনা ঐখোয়গী লাই হরাউবদা য়াওরিবা ‘লাইচিং’ জগোয় খূৎথেক ‘লোংখোন’ জগোয় খরা য়ানশিন্নদুনা তেনখ্রবা মীৎকুপ অমগী মপূং ফারবা জগোয়দুগা লোয়ননা পাওনাগী থৱায়বু পুদুনা লাকপগী মতাং, শ্বর্গ য়ৌরকপদা পাওনাবু মাগী গুরু লোংজাম্বা রোমাগী মফমদা শিন্নরমদাইদা লাইরেম্বীশিংনা থায়নগী শৈহেক্তা ‘লাইকারোন’ শক্তুনা শিন্নখিবা, পাওনানা গুরুগী মফমদা চঙজখিবা অসুক্কী মতিক শীংথানীংঙাইনি।

দিরেক্টরনা প্লে অসিদা মতাং চানা-চানা হাপচিন্দুনা পুখৎলক্লিবা ঐখোয়তগী ওইবা ‘নাৎ’ কী কুয়োম অসিনা য়োমশিন্দুনা তশেং-তশেংনা মপূং ফারবা ফজরবা প্লে অমা মীয়ামদা মায় পাক্লা পুথোরকই। মসিমক্লসু ঐখোয়গী পূক্লিং হকচাং প্লে অসিদা চিংশিনখি, প্লে অসিগা অয়েংবশিংগা য়াম্না নক্লহনখি।

লীলাসি তশেংনা অকন-অথৌগী লীলানি। অদুবু দিরেক্টরনা য়াম্না হৈ-শিংনা তাশিন খোমজিন্দুনা নোংমৈ, বোম, টোপকী য়াল্লবা মখোল হন্থহন্দুনা মবুক তপ্লবা সমুদ্রগী ঈরাওখোলগুম য়াম্না চীং লেম্না পুথোরকই। অদুবু অকন-অথৌগী থৌনা, লানগী ওইবা মশক্তা খরা হেন্না চঙশিল্লবদি লীলাগী খোঙজেলদা শাফূ হেন্না পীগনি খঞ্জে। মতাং অসিৱাইদনি ঐনা নুংঙাইবা ফাওজরিবা, করিগুম্বা খরা হায়নীংলিবা। লানগী অকন-অথৌগী লীলাদা লানগী ওইবা লাউবা-খোংবা, বোম-টোপ-নোংমৈনচিংবা মখোল ইতা তাহন্দনা ওফ-সিনদা অয়াম্বা থৈদোক্তুনা থল্লগা লীলাগী চেন্থরক্লিবা ঈচেল থৈদোক্তনা ফজনা পন্থুং য়ৌনবা পুখৎলকপা ঙল্লিবা অসিমক থাগত্তবা ঙমদে। মসিমক দিরেক্টরনা চাংয়েং অমা তৌবরা হায়নসু খল্লি, মায়সু পাকখি।

দিরেক্টরনা য়াম্না হৈনা পাওনাগী য়ূমদা থাঙ-তা তম্বগী মশক, নিংথৌ কুলচন্দ্রগী দরবার হোল, পাওনা জেলদা লৈবগী মতাং, খোংজোমগী লানফম, টোপ অমা শীজিন্নদুনা বৃটিশকী মখূত্তা খূৎলায় ৱাত্তনা পৈদুনা লৈ খঙহনবা, পাওনানা বোমগী মৈনা ককখিবা, অকোনবদা বোম্না পান্দুনা গুরু পাওনা, চীংলেনস্না শিবগী মতাং, শিরগা তাদুনা লৈরিবা পাওনাগী থৱায়বু লাইরেম্বীশিংনা লৌবা লাকপদা শীজিন্নরিবা টেক্লিক অদু উবদা ঐখোয় নোক্নীংখি। নোক্লিবসি পেঞ্জবগীনি, মীয়াম্নদি য়াম্না লায়না উবা য়াই, লায়না উহল্লগা ফজরবা মচল অমা পুথোকপসিমক মতাং য়াম্না চাই। মসিদা নত্তনা প্লে অসিগী হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা সিন অমগা অমগা তাইনবদসু স্ক্রিন চিংথোক-চিংশিন অমত্তা য়াওহন্দনা মৈ খজিক মমহল্লগা সিন অমদা চঙলিবা আর্টিষ্ট মশা-মশাদুনা মতাংদুদা চঙগদবা পোৎলমশিং অদু পুদুনা থোকচরকপা, মতম মাঙহন্দনা য়াম্না অথুবা মতমদা মীৎয়েংলোইশিংগী মীৎমাঙমক্তদা সিন অমা হোংবগী টেক্লিক অসিমকসু অরায়বা থবক নত্তে। শরক খজিক্তং শিবদা প্লেগী খোঙচত্তা মনীং হেক্তা হনগদৌরিবনি। মসিমক্লসু দিরেক্টর অমদি আর্টিষ্টশিংগী ফজরবা অপূনবগী মশক অমসু উহল্লি। লায়হন্নবা হোৎনবা হায়বসিমকসু অরুবা থবক অমনি। দিরেক্টরনা প্লে অসি হান্নদগী চত্থরক্লিবা ত্রেদিশনেল প্লেগী মচৎকা হৌজিক্কী মোদর্নগী ওইবা প্লেগী মশক্লা অনী অসি তোৎশিন্নদুনা য়াম্না মায় পাক্লা পুথোরকই।

প্লেসিদা আর্টিষ্ট ফনা য়াম্মী। য়াল্লবা আর্টিষ্টশিং অসিনা মাগী-মাগী লৌরিবা করেক্টরশিং অদুগী তৌফম থোকপা এক্ট ফজনা উত্তুনা প্লেসিবু মায় পাকহল্লি। রুপমহলগী সিনিয়র আর্টিষ্ট ওজা লোইতোংবম ব্রজমোহোননা ইপু থাঙ্গাল, এন ইবোহলনা কুলচন্দ্র নিংথৌ, এন ঙান্থোইবনা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ, লোংজাম্বা রোমাগী শক্তম লাংলিবা এম ভুপেন য়াম্নমক পকচরবা হৈথোই-শিংথোইরবা ঙাক্তনি। গুরু পাওনাগী তালোই শারিবী সী ঐচ সরমিলা, মচানুপী চাউবীহল শারিবী এল উনদনা, মচানুপা শারিবা ঈ অথৌবা- ওস্থোক্লা ফজনা পীরিবা চরিত্রশিং অদুগী পনখৈ য়ৌনা উৎপা ঙম্মী। অদুগা মমাশিজা ৱাই জমুনাসু য়েংবা নুংঙাই। পাওনাগী নুংশিরবা থাঙ-তাগী মহৈরোয়শিংবু থৱায় য়াওনা হোৎনবগী মমি তাই। মখোয়গী মনুংদা চীংলেনস্না শারিবা ৱাই নোংদ্রেম্বা অসুক্কী মতিক ফজনা এক্ট তৌই, মীৎয়েংলোইশিংবু চিংশিল্লি, কপহল্লি। বৃটিশ ওফিসর শারিবশিং এন কেনবী অমদি কেনেদি য়েংবা নুংঙাই, মান্দ মাল্লি। মসিগী মথক্তা জগোয় কোরস ওইনা থোরক্লিবা মখোয় পূম্নমকসু নীংথিনা তৌজখি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা প্লে অসিগী মিংথোল ওইরিবা ‘পাওনা’ মরৈবাক্কীদমক য়াইবী থৱায় কৎপা ঙমগদৌরিবা লিংজেল খারবা অথৌবা হৌবদগী লোইবা ফাওবদা য়াংলেন শরূ ওইনা পুরিবা পাওনা (পাওনম নাওল সিংহ) গী শক্তম লাংলিবা বিশ্বামিত্রগী ফজরবা এক্টিং, থাঙদা-তাদা লম্বা লৈত্রবা গুরু অমগী নেচর, মিৎয়েং-নায়েং, কনাগুম্বা অমা লাকপদা মীৎচিনা নাক-য়েৎ অনীমক য়েংদুনা মশাবু ঙাকথোকচনবা মতম পূম্নমক্তা খূকউ শেন্দুনা লৈবগী মশক, ৱাঙাঙ খুদিংমক্তা ৱাহন্থোক খঙনা ঙাঙবা, থারিবা খোন্থোক্কী অনেম-অৱাং হায়নীংঙাই লৈতনা ফজে। মীৎয়েংলোইশিংগী থম্মোয়দা লোত্তুনা লৈরিবা মমা লৈবাক নুংশিবগী ঈহুল তশেংনমক মকা ফোঙহল্লকই, মিৎতগী পি তাখিবা খঙহৌদে। অরোইবদা প্লে অসিদা হৌবদগী লোইবা ফাওবদা লাইটতা, ম্যুজিক্তা লৈরিবা এন রঞ্জিৎ মীতৈ, সুরচন্দ্র শর্ম্মা, সোমোরেন্দ্রো, জয়, রোবিন্দ্রো, সুরশঙ্কর, মেক-অপতা জাদুমনি, রাগিনি, চন্দ্রিমা, রতন, প্রেমিকা পূম্নমক্কী মতেংনসু প্লে অসি মপূং ফাহল্লি। ফিজেৎ লৈতেংগী মতাংদসু চেতনকুমার, সুভাসচন্দ্র অমদি দেবানবুসু থাগত্তবা ঙম্লোই। মতমদুগী চৎনবী ফিজেৎ লৈতেংগী মওং মতৌদু প্লে অসিগা য়াম্না চান্ননা পুথোরকই। অতৈমক হায়রুদ্রবসু থাঙ-তা তল্লিবা অঙাংশিংগী ফিজেৎ, চন্দন অশাংবী থিলহন্দুনা মতমদুগী ইনখৎলক্লিবা য়াম্না হায়বা ইনবা মহৈরোয়শিং মান্দ-মালহনবা অদু অসুক্কী মতিক চান্নে, নুংশি।

অসুম্না অইবগী পূক্লিংদা লৈরিবা, ফাওরিবা খুদিংমক দিরেক্টরনা হেন্না নুং হঞ্জিন্না য়েংদুনা মপূং ফারবা ফজরবা হৈ অমগুম মশক থোক্লা পুথোরকই। প্লে অসিদা অদুঙৈগী ইপা-ইপুশিংনা থৱায় ফাওবা কথোক্তুনা শোক্লখিবা লান ফম্বালগীদমক নত্তে, য়াম্না তরু তরুবা মরৈবাক নুংশিবগী ইহুলতনা মাঙ থাদুনা মরৈবাক কন্নবগীদমক শোক্লখিবা লানফমনি হায়বদু ময়েক শেংনা মায় পাক্লা উৎপা ঙমখি। অদুগুম্বা থৌনা ফরবা অথৌবশিংগী ইরৈবাক নুংশিবগী ঈথিল অদুনা ঙসি ঐখোয়গী থম্মোয়দসু শাফূ কন্না য়ৈররি।

হৌজিক ঐখোয় পূম্নমক য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অমদা লৈরি, লংলা-লংজিন নাইদ্রবা লানফম অমগী ময়ায়দা হিংলিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা হৌখ্রবা মতমগী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্লিবা শেংলবা ইমা লৈবাক নুংশিবগী ইরিক অসিনা ঐখোয়দা হেন্না শক্তি হাপ্তুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা ইচা-ইশুশিংগীদমক খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা ঐখোয় লাম্থেংনরসি। থৌনা ফরবা অথৌবশিংগী ঈথিল অসি প্লে অসিনা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা তশেংনমক মমি তাহল্লি, তারিবা মমি অসি অতৈ কনাগীসু নত্তে তুংদা হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিংদা থৌনা হাপ্লীবনি। রুপমহলগী ‘পাওনা’ না ঙসি ঐখোয়বু মিৎ পাঙহল্লি, উহল্লি হৌখ্রবা অমদি তুংগী শক্তম। পূম্নমক ময়েক শেংনা ফাওহল্লি থম্মোয়দা শাফূ কল্লবা ইরৈবাক নুংশিবগী ঈহুল। ‘ঈহুল’ অসিনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা লেপমিন্নবা ঙম্বা ওইসনু ইমা লৈবাক্কীদমক।



লীলাগী অরোইবদা বেকগ্রাউন্দদগী শক্লকপা ঈশৈ, রুপমহলগী লুচিংপুরেল লাইওইখ্রবা হৱাইবম নিলমনিগী ময়েক, অসেম বিমোলাগী ‘মৈতৈ লৈমগী মপারী’-প্লেগী ওইনা বিদ্যারানি ময়েংবমনা শক্লকখিবদু তাবদা তু চুংবা ফাওখি, অমুক হন্না রুপমহলদা লাক্তুনা লীলা কয়া য়েংনীংবগী ঈহুল পীরকখি। লমদম অসিগী থিয়েটর লূপশিংনা অয়েংবশিংবু থিয়েটরগী ওদিটোরিয়মদা চিংশিনবা ঙম্বা লীলা কয়া পুথোরক্লবদি নুংঙাইখ্রনিদা খন্না-খন্না ঐ হল্লকখি। ●